# ১৬শুবা ওলিম্পিক গেমস, মেলবোর্ন ১৯৫৬ # ৪

- লৈশাংথেম অজিৎ -

মিটর ৫০০০গী মালেমগী রেকোর্দ মরিরক থুগাইখিবা অমদি মিটর ১০,০০০দা মালেমগী রেকোর্দ অমুক থুগাইখিবা নুপা অসি মরিরকশুবা হার্ট এটেক্তা কুমজা ১৯৭৫গী ওগষ্ট ১৭তা লৈখিদে। মহাক চহী ৪৮শুখ্রে। মহাক্কী নক্লবা লম্বা ইংলেন্দগী লীদস সহরদা কুমজা ১৯৩১দা পোকখিবা মালেমগী মিটর ৫০০০গী রেকোর্দ মঙারক থমখিবা গোরদোন পেরি কুমজা ১৯৯১গী দিসেম্বর ৭তা লৈখিদে।

ফ্রান্সকী Alain Mimoum O Kacha ওলিম্পিক্কী মিটর ৫০০০দা অনীরক মিটর ১০,০০০দা অমুরক পূন্না লুপাগী মেদল অহুম ফংখ্রে। য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তসু লুপাগী অনীদগী হেন্না ফংবা ঙমদ্রি। মরমদি মহাক অসি জেকোসলোভাকিয়াগী ইমিল-জেতোপেক্কা মতম পূম্বদা লম্বা তৌনবা মরম্না ইমিল-জেতোপেক্লা মহাকপু মায়থীবা পীরম্মী। অলেয়ন ফ্রান্সতা খুন্দাদুনা লৈবা অলজেরিয়া মচানি। মেলবোর্নদা মখোয় অনীমক মরাথন্দা শরুক য়ারম্মী। লমজেলোয় ৪৬না শরুক য়াবা মরাথন লমজেল অদুদা লমথাবদা ফোলস ষ্টার্ট ওইরম্মী। মসিমক ওলিম্পিক্কী ইতিহাসতা অহানবা থৌদোকনি। মরাথন অদু হেক লমথাবগা অলেয়ননা লমজেল্লোয় কাঙবু অমগা ময়ামদগী মমাঙ থাদুনা পুল্লপ লমশাং অদুগী তঙ্খাই অমুক হেন্না চেনমিন্নরম্বদগী কিলোমিটর ২৫ য়ৌশিল্লকপদা মহাক্না ময়ামদগী মমাঙ ইথা থানা হেঙ্গৎতুনা চেনখিবদগী লমথুংফম য়ৌবা ফাওবা কনাগুম্বা অমত্তনা মহাকপু তান্নবা ফংখিদে। অনীশুবা তাখিবা য়ুগোসলাভিয়াগী ফ্রানজো-মিহালিক্তগী মহাক্না মিনট ১.৩২ হেনখি। লমজেল থুংলবা মতুংদা অলেয়ন্না তরুকশুবদা ষ্টেদিয়ম মনুংদা চেনশিল্লকইবা মহাক্কী মরুপ ইমিল-জেতোপেকপু ঙাইদুনা লৈরম্মী। ইমিলনা লমথুংফম য়ৌরবা মতুংদা অলেয়ন্না মহাক্কী মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা হায়রম্মী "ইমিল নঙনা করিগী ঐবু Congratulate তৌদ্রিবনো? ঐহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমা ওইরে, (লমজেল) থোইরিবা অদু ঐনি"। ইমিলনা মহাক্কী তুপী লৌথোক্লগা অলেয়ন্দা সলাম তৌরম্মী অমসুং কোনশিল্লম্মী। অলেয়ন্না অসুম্না হায় মদুদি মহাক্না সলাম তৌবীদুনা নুংশিনা কোনশিনবীবা অসিনা মেদলদগী হেন্না মমল য়াম্মী। Alain Mimoum O Kacha ওলিম্পিক অসিগী মতুংদা ফ্রান্সকী নেসনল মরাথন তরুক্লক মকোক ওইরম্মী।

য়ু এস এগী নুপানা মিটর ২০০গী লমজেলদা মকোক, মথং মনাওগী পোজিসন অহুম ফংবগুম্না মিটর ১১০ অমসুং মিটর ৪০০গী হর্দলসতসু মখোয়গী লম্বা লৈরমদে। মিটর ১১০গী হর্দলসতা লৈবাক অসিগী লী-কলহোন অমসুং জেক-দেভিস মতম চপ মান্ননা লমথুংফম য়ৌদুনা ওলিম্পিক্কী অনৌবা রেকোর্দ থমখি অদুবু লী-কলহোন্না মশা অদু নোম্থবা হান্দুনা মহাক্কী লেংজুম্না লমথুংফমগী লাইন, পংতি অদু য়ৌবা হানখিদুনা মকোক ওইখি। মখোয়গী মতমদি সেকেন্দ ১৩.৫ ওইরম্মী। লৈবাক অসিগী জোল-সেঙ্কলনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। অনীশুবা তাখিবা জেকে-দেভিস হৌখিবা হেলশিনকি ওলিম্পিক্তসু অহানবা মনা ফংখিবা হরিসন-দিল্লার্দকা মতম চপ মান্ননা সেকেন্দ ১৩.৭তা চেনমিন্নখি মদুদসু অনীশুবা পোজিসন পীখি।

মিটর ৪০০গী হর্দলসতা অমেরিকানশিংনা মেদল অহুম্মক হুপ্তুনা লৌখি। সনাগী মেদল ফংখিবা গ্লেন-দেভিসনা জুন থাদা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওলিম্পিক ত্রাইএলদা সেকেন্দ ৪৯.৫দা লমশাং অসিগী মালেমগী রোকোর্দ থুগাইখি। অদুবু মহাক্কী নক্লবা লম্বা মরৈবাক মচা ইদি সাওর্দননা মেলবোর্নদা সেমীফাইনেলদা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ সেকেন্দ ৫০.১দা থুগাইখি। ফাইনেলদা ইদি সাওর্দননা মাঙ থাদুনা চেনবদগী গ্লেন-দেভিশনা মহাকপু তরেৎশুবা হর্দলদা হেঙ্গৎখিদুনা লমজেল অদু থোইখি। মতমদি সাওর্দননা সেমীফাইনেলদা চেনখিবা ওলিম্পিক রেকোর্দ অদুমকনি।

বৃটিশকী খৃষ্টোফর ব্রেশরনা ইথা থাজদনা মিটর ৩০০০গী ষ্টিপল চেজদা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ থুগাইদুনা চহী ২০গী হায়বদি কুমজা ১৯৩৬ ওলিম্পিক্কী মতুংদা লৈবাক অসিগী এঠলিটনা এঠলেটিক্সতা মকোক ওইবা ঙম্বা অহানবা নুপানি। লমজেল লোইরবা মিনট ১২গী মতুংদা হঙ্গেরিগী সেন্দোর-রোজনোয়না মকোক ওইরে হায়না লাউথোরকখি। হংনরুবদা মহাক্না নোররেগী ইরনষ্টলারসননা চেল্লিঙৈদা মমাঙদা চেনশিন্দুনা অথিংবা পী, মরম অদুনা মহাক দিসক্কালিফাইদ ওইরে হায়রম্মী। বৃটিশ ওফিসলশিংনা য়াম্না থুনা ৱাকৎলকপদগী জরি-অফ-অপিলনা মতম চঙনা শাক্ষি ওইবা য়াবশিং কৌখত্তুনা ৱাহং-পাউহং তৌরবা মতুংদা ব্রেশরনা অপান্ননা তৌখিবা নত্তে, অপনবা পীখিবসু লৈতে ৱাকৎ অদু চুম্মী হায়দুনা মঙোন্দা পীফম থোকপা অহানবা মনা অদু পীখি।

থৌদোক অসিদা ব্রেশরনা দিসক্কালিফাই ওইবদা মেদল অমা ফংগদবা মরিশুবা তাখিবা জর্ম্মনিগী হেইনজ-লউফর অমসুং পোজিসন অমমম হেঙ্গৎতুনা সনাগী অমদি লুপাগী মেদল মথংশিংনা ফংগদবা অনীশুবা তাখিবা সেন্দোর-রোজনোয় অমদি অহুমশুবা তাখিবা ইরনমষ্ট-লারসননা জরি-ওফ-অপিলগী মেম্বরশিংদা খৃষ্টোফর-ব্রেশরগী মরাল লৈতে মহাক্না চেনমিন্নবশিংদা অথিংবা অকায়বা অমত্তা পীখিবা লৈতে হায়না মহাক্কী ৱাকৎ অদুবু য়াবিরক্লবা মতেং পাংশিন্দুনা মখোয়গী অশেংবা ৱারোল পীখি। মখোয়গী ফিরেপ অসিমক ওলিম্পিজমগী অশেংবা শক্তমনি হায়না মীপূম খুদিংমক্কী পূক্নিংদা মখোয়বু থাগৎলম্মী। জরি-ওফ-অপিলগী পুং অহুমলোমগী মীফম অদু কুইমনখিবনা নুমিদাংগী পুং ৭.৫দা ৱারেপ লৌবা অদু লোইশিনখি। মরম অদুনা মেদল য়েম্থোকপগী থৌরম অদু মথংগী নুমিত্তা পাঙথোক্লম্মী।

লমজেল হেক থাবদগী নোররেগী লারসন্না মমাঙ থাদুনা চেল্লম্বদগী মিটর ২৬০০ য়ৌশিল্লকপদা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা সোভিএটকী Semyon Rzhichin না মহাকপু হেঙ্গৎখি। অরোইবা রাউন্দগী অরোইবা কর্বতা মখোয় অনীবু হঙ্গেরিগী সেন্দোর-রোজনোয়না অমুক হেঙ্গৎতুনা চেল্লকপদা লারসন্না-সেন্দোরবু য়াম্না নক্না তান্নরক্লম্মী। মখোয় অনী অসিনা য়াম্না নক্লনা চেনমিন্নরম্বদগী অকোনবগী হর্দল অদু লাম্থোক্লবা সেন্দোরনা খজিক্তং য়েৎলোমদা হাইদোরকপদা মহাক্কা লারসগা অনীগী মরক্তা অহাঙবা কারক অমা লৈবা অদুদা মখোয়বু তান্নরক্লিবা খৃষ্টোফর-ব্রেশরনা চেনখৎখিদুনা হর্দলস অদু লাম্থোকখিদুনা মিটর ১৫ রোম হান্না লমথুংফম য়ৌখি। মহাক্না হর্দল লাম্থোকপদা লারসনবু অপনবা পী হায়না ওফিসলশিংনা মহাকপু অহানবদা মরাল শীদুনা দিসক্কালিফাই ওইরে হায়না লাউথোকখিবনি। ব্রেশর লন্দন্দা হৌদোকখিবা মরাথোনগী অহানবা দিরেক্টরনি। কুমজা ১৯৫৪দা বেনিষ্টরনা মাইল অমগী লমজেলবু মিনট ৪গী মনুংদা অহানবা চেনখিবগী পুৱারী ওইবা লমজেল অদুদা খৃষ্ট চাতাৱেগা লোয়ননা বেনিষ্টরগী খেঙজেল অদু চাং অমদা য়াঙনা পুদুনা চেনবা ঙম্নবা মহাক্কী মমাঙ থাদুনা পেস-সেত্তর ওইখিবা লমজেল্লোইনি হায়বা নত্তনা হান্নদি থোইদোক হেন্দোক্না মমিং লৈবা এঠলিট ওইরমদে। মিটর ৪ x মিটর ৪০০ রিলেদা য়ু এস এনা মকোক ওইখি। অনীশুবা তাখিবা ওষ্ট্রেলিয়া টিমদা য়াওখিবা কেভান-গোসপর কুমজা্া ২০০০গী সিদনিদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা মশুনুপীবু মৈরা পুদুনা চেলহল্লুবগী ৱাথোক ওইখি। রিলে অসিদা জমায়কাগী টিম দিসক্কালিফাইদ ওইখি। মিটর ১০০ x ৪ রিলেদা য়ু এস এনা মকোক অসুম ওইরকপনা মেলবোর্ন ফাওবা পরিংকাইদনা লমজেল অসিদা মকোক ওইখি। অমেরিকাগী টিম কুমজা ১৯৬০গী ওলিম্পিক্তা দিসক্কালিফাইদ ওইখি।

কালিফোর্নিয়া য়ুনিভর্সিটিগী থিওলোজিগী প্রোফেসর রোবর্ট-রিচার্দনা পোলভোল্টতা মিটর ৪.৫৬ চোংদুনা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ থুগাইদুনা থৌরম অসিদা অনীরকশুবা ওইনা সনাগী মেদল ফংখি। পোলভোল্টকী থৌরমদা মহাক্না মেলবোর্নদা অহানবা ওইনা গ্লাস-ফাইবর-পোল শীজিন্নখি অদুবু দেকাথলোন্দা পোলভোল্ট চোংবদদি রোবার্ট-মাথায়সনা কুমজা ১৯৫২দা শীজিন্নখি। বোব রিচার্দ কুমজা ১৯৪৮দা লন্দন গেমসতা শেঙ্গেংগী অমদি কুমজা ১৯৫২ হেলশিনকিদা সনাগী মেদল ফংখি। লুপাগী মেদল ফংখিবা অমেরিকাগী রোবর্ট গুতোৱসকীনা কুমজা ১৯৫৭কী এপ্রিল ২৭তা কোর্নেলিয়স-ৱার্মরদামগী মালেমগী রেকোর্দ থুগাইখি, মহাক চহী ২৫ শুবা মতম কুমজা ১৯৬০গী ওগষ্ট ২দা কার থেংজিন্নবদা লৈখিদে।

কুচু মুবা চালর্স-দুমাসনা ফুট ৬ ইঞ্চি ১১ মখায় (২.১২ মি) চোংদুনা ওলিম্পিক্কী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী চার্লস-পোর্টরনা ফুট ৬ ইঞ্চি ১০ মখায় চোংদুনা অনীশুবা মনা ফংখি। চার্লস দুমাসনা অমেরিকাগী ওলিম্পিক ত্রাইএলদা ১৯৫৬কী জুন ২৫দা ফুট ৭ ইঞ্চি ১০ মখায় চোংদুনা মতম কুইনদগী ঙাইনরক্লবা পুৱারী ওইবা ফুট ৭ চোংবা ঙম্বা অহানবা নুপা ওইখি। কুমজা ১৯৪১গী জুন ১৪দা লেষ্টর-ষ্টিয়ারনা ফুট ৬ ইঞ্চি ১১ লাম্থোকপা মতমদা মহাক্না ফুট ৭ চোংবা ঙম্বা অহানবা নুপা ওইগদ্রা হায়না খন্নরম্মী অদুবু চহী ১২গী মতুংদা ৱালেসদেবিসনা ফুট ৬ ইঞ্চি ১১ মখায় লাম্থোকখি। মহাকসু ফুট ৭ লাম্থোকপগী মমিং লৌবা ঙমখিদে। এগজিবিসন অমদদি মহাক ফুট ৭ লাম্থোকখি অদুবু অথোই অহেন তান্নবা ওফিসল ওইবা নত্তবনিনা রেকোর্দ অদু লৌখিদে। লোঙজম্পতা য়ু এস এগী এঠলিটনা কুমজা ১৯২৪দগী কায়দনা সনাগী মেদল ফংলকপা অদু কায়হন্দনা গ্রেগোরি-বেলনা ফংখি। ত্রিপল-জম্পতা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা, হৌখিবা ওলিম্পিক্তসু চেম্পিয়ন ওইখিবা ব্রাজিলগী Adhemar Ferreira Da Silva না অমুকসু হন্না মকোক ওইখি। Vilhjalmur Einarsson না অনীশুবা পোজিসন ফংদুনা আইসলেন্দগী অহানবা ওলিম্পিক্কী মেদল ফংবা শান্নরোয় ওইখি। চহী ২২ শুরবা Dartmouth কী গ্রেজুএট অসিনা অনীশুবা রাউন্দদা মিটর ১৬.২৬ চোংদুনা ময়ামদগী ইহেন হেল্লম্মী। মহাকপু মরিশুবা রাউন্দদা ব্রাজিলগী Adhemar Ferreira Da Silva না সেন্টিমিটর ১১ হেন্না চোংদুনা মহাক্কী অনীশুবা সনাগী মেদল লৌখি। মহাক কুমজা ১৯৫৮দা মমিং চৎপা ফিল্ম ব্লেক ওর্ফিয়স কুমখি।

য়ু এস এগী ৱিল্লিয়ম-পেরি-ও-ব্রিএননা মরৈবাক মচা মহাক্কী নক্লবা লম্বা ৱিল্লিয়ম-বিল-নাইদরবু মহাক্কী অনৌবা ষ্টাইল অদু শীজিন্নদুনা ওলিম্পিক রেকোর্দ অমগা লোয়ননা নূঙ হুনবদা মায়থীবা পীখি। ও-ব্রিএন নুঙ হুনবদা ফুট ৬০ য়ৌবা ঙম্বা অহানবা নুপা ওইরম্মী। ওলিম্পিক অসিদা মহাক্না ফুট ৬০ শান্না হুল্লম্মী। অহুমশুবা তাখিবা জেকোসলাভাকিয়াগী জিরি-স্কোবলা কুমজা ১৯৩২গী লোস এঞ্জেলিস ওলিম্পিক্কী হেভিৱেটকী অরূম্বা থাঙ্গৎপদা মকোক ওইখিবা জারোস্লাভ-স্কোবলাগী মচানি। ●

# কোভিদনা মরম ওইরগা অঙাংশিংগী লাইরিক লাইশু অসিবু শুক্তম্মক তম্লরোইদবজাৎলা ?

- জয়েন্ত সরাংথেম -

কোভিদ লায়না লাকপদগী অঙাংশিংগী লাইরিক তমদনা লৈরকপা অসি হায়না-হায়না চহী মরি শুরক্কদৌরে। কোভিদ লায়না অসিদি ঙসি হয়েং হেক্তা লোইখিগদবা লায়নাসু মান্দে। লায়না অসি চহী কয়া মালেমদা লৈগদবসু মাল্লি। অদু ওইবা তারবদি চহী কয়া ৱাৎলিবগে অমুক মখা তানা হৌরক্লিবা অঙাংশিংগী লাইরিক লাইশু তমগদৌরিবা অসিবু? ঐখোয়গী খুন্নাই কনসি হায়দুনা খোল্লাউ কয়াদি লাওরি। তুংগী খুন্নাই, তুংগী মীরোল ওইহৌগদৌরিবা অসিবু ঐখোয়রা নৎত্রগা হৌরক্লিবা নহাশিং অসিরা ? হৌরক্লিবা নহাশিংনা তুংগী য়ুম্বীনি হায়বদু তশেংনমক ঐখোয়সিবু কাউখ্রবরা ? নৎত্রগা ঐখোয়সিবু ঙরাংগী খন্দে, হয়েংগীসু খল্লোই হায়না লোইনা লৈনখ্রবরা ? কনাসু মাগী মাগী মচাগী লাইরিক লাইশুগী মরমদা পনবা য়াওনদে। অদুগা মীখলগী মরমদদি শিবা নাবা কিনদ্রে অমুক্তোইবা। শেল খরা ফংলবদি য়ারে, ভোটকী চাক খরা চারবদি য়ারে অসিনি। মসিনা তাকপদি হৌজিক হিংলিবা অসিনা মরুওইরে অসিনি। চহী মরি লাইরিক তম্লক্তবা হায়বসি ক্লাস ৱান্দগী ক্লাস ফোর ফাওবগী চহীনি । অদু ওইরবদি ক্লাস ৱান্দগী ক্লাস থ্রী ফাওবা তম্লক্তবা অঙাং অদুনা ক্লাস ফোর করম্না তম্বা ঙমগদগে হায়বা অসিনি। করিসু খনবীদনা ঐখোয় পূম্নমক মীখলগী চরাংনবদা লাঙদুনা লৈনরি। মীগী লমদদি মখোয়না ঙম্বা করি করিনো য়াম্না তৌনরি। ঐখোয় অসিদদি মশা-মশাগী লোইনা খন্নখ্রে । তুংগী করিসু খনবীদবগী মমি উরি। হয়েং চাওখৎপদা মীনা মাঙজিন থাখ্রগা তকসি শোনবনা করিসু কান্নবা ফংলোই । হায়সু হায়বনি চহী মরি অসিনা অচৌবা জেনেরেসন গেপ অমনি, অচৌবা অহোবা অমা শোয়দনা তুংদা লাক্কনি খল্লি। মরমদি ময়াম্নসু হেন্না খঙবীরবা ৱানি মদুদি ঙসি ফাওবদা লাইরিক লাইশু য়াওদবা খুন্নাইনা করিগুম্বা হিরমদা ময়ামদগী মাঙজিন থাখিবা লৈখিদে হায়বা অসি। কোভিদ লায়না অসিনা মরম ওইরগা তমদবনি হায়বা অসিসু য়ারগে, অদুবু মী পুনবদি লেপ্পে। মীটিং শিনবসু লেপ্পে। লায়না অসিবু অহলশিংদদি চঙবা ঙমদবা অঙাং খক্তদা লৌনবরা ?

মালেমগী মফম কয়াদদি লাইরিক তম্বা হৌনখ্রে। অসিগীসু মথক্তা কোভিদ-১৯ অসি ৱুহান সিটিদগী হৌরকপনি হায়না থাজনরিবা চাইনাদা ফাওবা লোইনা মখোয়গী অঙাংশিং লাইরিক লাইশু তম্বা হৌনখ্রবনি । মসিনদি মখোয়না মাঙজিন থাদনা, মালেমগী মপু ওইদনা কনানা ওইগনি। ঐখোয় অসিদদি লায়না অসিগী খুদোংচবা লৌদুনা পোলিটিক্স তৌরবরা হায়বগী চিংনবসু লৈতবা নত্তে। মসিগী খুদমদি মহৈ তম্ফম শঙ থোঙ হাংবা হৌরক্লবদি কনাগী দেল্টা ভেরিএন্টবু হায়বনে, ওমিক্রোন ভেরিএন্টবু হায়বনে য়ামখ্রে। অদুগা মীখলগী মীটিংশিংদি মফম কয়াদা তৌরি, মীসু পুল্লি কৈথেলশিংসু হাংলি । ইচাশিং লাইরিক তমদনা লৈরকপা অসি চহী মরি চঙশিল্লক্লি হায়বসিদি লোইনা কাউনখ্রবা মাল্লে। অমরোমদা মীখলগা মরী লৈননা মী খৎনবদি লেপ্পে, মীটিং শীনবা লেপ্পে, চাক চানবসু লেপ্পে। লাইরিক্কী ৱা হেক হায়রুবদা কোরোনা লায়না লৌনরক্কনি, শন্দোরক্কনি অসিতনি। লায়না অসিনা মরম ওইরগা তমদবনি হায়বা অদু ঐখোয়সু য়ারগে। তৌবতদি অতৈ থবকশিংদি কনানসু য়েংশিনবীদনা করিগী থাদোক্লিবনো ? কনানসু অঙাংশিংগী লাইরিক লাইশু তমদনা লৈরক্লিবা অসি করম তৌসিগে হায়না খন্ন-নৈনবা তৌবসু লৈতে। পূম্নমক মীখলদা ঙাওবা, লাঙবা অসিনা হেনখ্রে। ওনলাইনদা লাইরিক তম্লীবনি হায়বা অদুসু ফজনা মায়পাকপা ওইদে হায়নিংই । অসুম্না মখা তানা লাইরিক তমদ্রবদি অঙাংশিংনা হান্না হৈরম্বা খরা অদুসু লোইনা কাউখিবগী মথক্তা লাইরিক তম্বগী হৈনবী অদুসু অঙাংশিংগী ৱাখলদগী মাঙখিবা য়াই। শেল পায়বা মমা মপা খরগী মচাশিংনা য়ুম-য়ুমদা ট্যুসন খরা তৌবনা য়ারদরা ? পীক্লিবা অঙাং ওইবনা মমা মপাদা নাওথি শাজবনা লাইরিক লাইশু পাউ হায়বসু লৌদে। মচাশিংনা মমা মপাদা ওইনা নোকপু নোকশিল্লকই । মচা নুংশিবা কৌবনিনা মমা মপানসু মচাশিংবু কন্না চৈবা ঙাঙবসু ঙমদে ।



অঙাংদি তুংগী অফ-ফত্ত করিসু খঙজবা নত্তে। হায়নবা লৈ 'চহী অমগী প্লান তৌরবদি ফৌ থাউ, চহী তরাগী খল্লগনা উ থাউ অদুগা চহী চাম্মগী ওইরগনা ইচা শেম্মু' হায়নরিবনি। অসিতসু নত্তে খুন্নাই অমা মাঙহনগে হায়রবদি খুন্নাই অদুগী লোল, চৎনবী অমদি লাইরিক লাইশু হান্না মুথৎলবদি খুন্নাই অদু মদোম মাঙজখিগনি হায়রিবনি। অওনবা খুন্নাই অমগী ঐখোয় মীৎয়েং শান্না য়েংবগী মথৌ তাই। লাইরিক য়াওদবা খুন্নাইনা চাও-খৎকেনা চাওখৎলবদা কয়াম চাওখৎকদগে ? হৌজিকসু ঐখোয় মীগী মখা য়াম্না পোন্দুনা হিংলি। মসিগী খুদমদি নেসনল হায়ৱে অনী অসি থা অনী অহুমদং ব্লোক তৌরগা মণিপুরদা করি চারগা হিংগে য়েংসি। চেঙ-চাক, থুম, হৱাই-চেঙৱাই, অলু, সর্ফ-সাপোন, লৌউ-শিংউবগী পোৎলমশিং, থাও... অতৈ করিবু পুশীল্লক্তনা চাদবা করিবু লৈরিবগে ? মরোমদোম হিংজনবা লেম-পানা অচা-অথক পুথোকচবা ফাওবা ঙমজদ্রিবা ঐখোয়গী খুন্নাইনি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা লৈঙাক পায়বগী লম্‌দসু মদু মঙাই মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা পোলিটিকেল পার্টিশিং (বি জে পী, কোংগ্রেস, এন পি পি, এন পি এফ,....) কয়া চঙলক্তুনা মণিপুরদা লৈঙাক পায়বগী থবক তৌরিবা অসিসু ময়াম্না হেন্না খঙবীরবা ঙাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ইস্যু অমদা মখোয়গী অয়াবা ঙাইবগী থৌওং লাক্লিবা অসিনি। অদুনা মসিসু মীখা পোনবা মখল অমনি হায়বদা অদুক লাল্লোই খল্লি। তুংগী খনবা হায়রগদি অপীকপা ককচেং ফাওবা তঙাইফদ্রবা মতম অমদি নোংজু থাদা চানবা মখোয় ময়াম চঙদুনা মচিঞ্জাক হোন্দুনা পৈশীল্লি। অদুনা ঐখোয়না হৌরক্লিবা ইচা-ইশু নুংশিবা অসিবু হয়েং তুংদা লাক্কদবা মতমদা হেন্না ৱানা মখোয়না হিংহৌবা নৎত্রগা হেন্না মীগী মখা পোন্দুনা লৈহৌবা অসিবুরা ? অসুম্না তৌরবদি তুংগী মীরোলনা নোংমদি ঐখোয়বু শোয়দনা ৱারৌগনি। হৌজিক্তি মখোয় খঙজদ্রি ।

লৈঙাক্কী ওজাশিংদি করিসু অৱাবা লৈতবরা খল্লি । লাইরিক তমদবনা শোকহল্লিবা অসি খুন্নাই অমগী মীওই কয়াসু কোক্তা খুৎ হাপ্পরে। শুফম নোম্ফমগা লৈতবনে য়ুম পুজরম্বা ভেন দ্রাইভরশিং, লাইরিক্কী থবক তৌজরিবা খুদম ওইনা বুক ষ্টোর, প্রিন্টিং, নোট বুক সপ্লাই তৌজরিবা, প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিং অমদি ষ্টাফশিং পূম্নমক শেল থোক্তবনা লোইনা ৱানরে। অমরোমদা অঙাংশিং লাইরিক তম্বীবা তম্বীদবা, হৈবা হৈতবা লৈঙাক্লসু ক্লাস অমদগী অমদা প্রামোসন অদুম পীবনা য়ারগদরা হায়বসিসু ৱাহং অমা ওইরক্লি। মখোঙ শেংলক্তনা অৱাংবা ক্লাসতা কাদুনা লাইরিক্কী মথং মনাওশিংবু করম্না অঙাংশিংনা হৈগদৌরিবনো ? অঙাংশিংদি চাওশিল্লকই, চহীসু নোংম-নোংমগী য়ামশিল্লকই । অঙাং অমনা ক্লাস তেন থাবদা চাওরাক্লা মাগী চহী ১৫গী রেঞ্জদা লৈগদবনি হায়রবদি লাইরিক তমখিদবা অসি চহী মরি শুখিদৌরে। অদু ওইবা তারবদি নর্সরি তম্বা লোইরবা অঙাং অমবু প্রমোসন সুম-সুম পীদুনা ক্লাস ফোর কাহনবা নৎত্রগা ক্লাস সিক্স কাবা অঙাং অমবু ক্লাস ইলেভেন কাহল্লগদরা হায়বসিনি ? কাহল্লগনা অঙাং অদুনা হায়রিবা অৱাংবা লাইরিকশিং অদু তম্বা ঙমগদৌরিবরা ? খঙবা ঙমদ্রগা অঙাংশিংগী ৱাখলদা নীংহন্নবা অমদি লাইরিক তমনিংদবা ফাওরক্লোইদবগী মরম লৈতে । স্কুল বেগতা পুবা ঙমদবা লাইরিক কয়া তমউ হায়দুনা অৱাবা পীবীবদি থম্বু থমখ্রসি । লাইরিক তম্লবসু পুবা থাঙবা ঙমদবা শেল কয়া লন্নাই মহৈ তম্ফম শঙশিংনা লায়রবা মমা মপাশিংদগী লৌরিবা অসিসু লৈঙাক্লা চৎন কাঙলোন অমা শেম্বীবগী মথৌসু তাদুনা লৈরিবনি। অদুগা হৌজিক্লা অমুক কোভিদ লায়না লাকপদগী ওনলাইনদা ক্লাস তৌরিবনি হায়বা অসিসু মোবাইল ফোনদা লাইচুনবগী লম্বী অমা ওইরক্লে। য়াম্না পীক্লিবা অঙাংশিং হায়দি নর্সরিদগী ক্লাস ফোর-ফাইভ ফাওবদি ওনলাইন ক্লাস তৌবদা অঙাং ওইমনবনা খুদোংচদবা অসিনা মখোয়দি চহী মরি অসি লাইরিক শুক্তম্মক তমদবগা মান্নরবনি।

অঙাংগী চহী য়ামখ্রবসু অদুম মখোঙদগী ইচাদি লাইরিক তমহনগনি হায়না মমা মপানা খল্লগদি খঙদরে অদুগা লাইরিক্লা চহীগা চান্নদ্রে লোয়ননা হয়েং তুংদা থবক্কী একজাম থাবগী চহী মাঙহনবা য়াদে হায়রবদি তিনশিন্নবা - খায়দোক্লবা হৈত্রিবা অঙাং অমদা করম্না অলজেব্রা তম্বীসি হায়বনো নৎত্রগা এ বি সি ফজনা হৈত্রিবা অঙাং অমদা ৱর্দ, সেন্টেন্স-করম্না তম্বীগদবনো হায়বসিদা ঐখোয়দি তশেংনা ৱাখল থোক্তরে। অদুবু অরোইবদা মসিনা অমরোমদা থমখ্রগা ৱাখল অসিনা লাম্বা ঙমদবা ৱাহং অসিমদি পাউখুম পীবীরম্মু। -ঐখোয়বু কৈরাক কাবা মতমদা কৈরাক্কী মচৈ মরী লৌথোক্লগা করম্না মতোন য়ৌনা কাবা ঙমগদগে ? করিগুম্বা ঐখোয় মীওইবনা উচেক্কুম্না মসা পাল্লম্লবদি পাইদুনা মতোন য়ৌগনি হায়রবদি খঙদ্রে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।